# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন নিউ দিল্লিদা ঙসি বিত্তিং দ রিত্রিট পাঙথোক্তুনা লোইশিল্লগনি।

২) কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না ঙসি সংসদতা ইকোনোমিক সর্ভে ২০২৫-২৬ পুথোক্লগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- ভারতকী এভিএসন সেক্তর অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা দোমেষ্টিক এভিএসন মার্কেট ওইবা ঙমলে।

**------**

ডে ঃ ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন ঙসি বিত্তিং দ রিত্রিট পাঙথোক্তুনা লোইশিল্লগনি। মপুং ওইবা থৌরম নিউ দিল্লি বিজয় চোকতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপটি দ্রোপটি মুর্মু, উপা রাষ্ট্রপটি সি পি রাধাক্রিসনান, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং শরুক য়াগনি। বিটিং রিত্রিট থৌরমদা ভারত লানম্মি, ইন্দিয়ান নেভি, ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স অমসুং সেন্ত্রেল আর্ম পুলিস ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা পার্ফোমেন্স ৩০ উৎকনি। থৌরম অদু কদম কদম বরায়ে জা খোংদুনা হৌদোক্কনি।

বজেৎ ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না ঙসি সংসদতা ইকোনোমিক সর্ভে ২০২৫-২৬ পুথোক্লগনি। দোক্কুমেন্ট অসি শেল থুম মন্ত্রালয়গী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক এফ্যারসনা চীফ ইকোনোমিক এদভাইজরগী মীৎয়েং মখাদা শেম্বনি। ইকোনোমিক সর্ভে অসি লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা শেল থুমগী ফিভম অমসুং তুংদা ওইরক্কদবা অদুগী চেরোলনি।

কেন্দ্রগী ২০২৬-২৭ কী সধারন বজেৎ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পুথোক্কনি। অহানবা তাঙ্কক্কী বজেৎ মীফম মথং থাগী ১৩ ফাওবা ফমগনি। অনিস্‌বা তাঙ্ককা মার্চ ৯ দগী হৌরগা এপ্রিল অনি ফাওবা চথগনি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী মখা তানা থি হুম্বগী থবক চথুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়- মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাই এরিয়াদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (সিতি মীতৈ)গী এক্তিভ কাদর অমা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কোংবা লাইশ্রম লৈকাই হৈনৌবোন এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথুবদসু কে.সি.পি (সিতি মীতৈ)গী এক্তিভ কাদর অমা ফাখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কংলা পার্ক এরিয়াদগী গাড়ি হুরানবা মীওই অনি ফাখি। মখোয়দগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এ.এস-০১এএ ৪০৯৫ টি.ভি.এস সেন্ত্রা গাড়ি মচা অমা ফাগৎখি।

কছার পুলিসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী এন্তি নার্কোতিক ওপরেসন চথুবদা গ্রাম ১২০ লোম লুম্বা হিরোইন পাউদর ওইগনি চিংনবা পোৎলমশিংগা কোন্ননা মীওই অমা ফারে। মীওই অদু সলচাপারা এরিয়াদগী কছার পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখিবনি। মীওই অসিদগী সোপ কেস ১০ দা হাপ্লম্বা হিরোইন পাউদর ওইগনি চিংনবা পোৎলমশিং অদু ফাখিবনি।

গভর্নর (এল)ঃ মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী অহানবা কনভোকেসন ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কনি। য়ুনিভর্সিতি অসিনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা য়াওনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা মহৈরোইশিংদা মখোয়গী দিগ্রিসু খুৎশিন্নগনি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সাউথ ইষ্ট এসিয়ান ষ্টদিজ দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা কলচরেল ব্রিজ এন্দ ইকোনোমিক লিঙ্কস দ রোল ওফ দি ইন্দিয়ান দাইসপোরা ইন সেপ্পিং ইন্দিয়া সাউথ ইষ্ট এসিয়া রিলেসন হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কদবা ইন্তরনেসনেল সেমিনার ঙসিদগী হৌরগনি। এন.জি. কলেজ ইম্ফাল অমসুং কে.পি. কলেজ হিয়াং থাংগা খুৎশমনা শিনবা সেমিনার অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোক্কনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী এভিএসন সেক্তর অসি হৌখিবা চহি ১০ অসিদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা অমা পুরক্তুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা দোমেষ্টিক এভিএসন মার্কেট ওইবা ঙমলে।

হাইদ্রবাদকী বেগমপেদ এয়ারপোর্টতা চথরিবা ৱিংস ইন্দিয়া ২০২৬ থৌরমদা পীবা ভিদিও মেসেজ অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মতম অমদা ভারত্তা এরোপ্লেন তোংদুনা চৎপা হায়বসি মীওই খরা খক্তগী ওইরম্মী। অদুবু ঙসিদি মীপুম খুদিংমকা এরোপ্লেন তোংবা ঙমলে। প্রধান মন্ত্রি হায়- উরান স্কিমনা চহি ১০ রোমগী মমাংদা এরোপ্লেন পাইরমদবা মফমশিং পাইদুনা হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী নাগরিক কোতি ১ মখায় হেন্না খুদোংচাবা পীরে। শ্রী মোদিনা হায়- ৱিংস ইন্দিয়া অসি শুপতগী মীফম অমা নত্তে, মসিদি ভারতকী এভিএসন ইকো সিষ্টেমগী তুংদা ওইরক্কদবা অদুগী মরাইবক লেপবনি।

এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা সিভিল এভিএসন থৌরম ৱিংস ইন্দিয়া ২০২৬ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা চত্থগনি। থৌরম অসিদা ভারতকী

হৌগৎলক্লিবা এভিএসনগী অমদি মালেমগী ওইবা ফিভমদা ভারতনা তৌবা ঙম্বশিং অদু উৎথোক্লি।

এসসি ঃ সুপ্রিম কোর্টনা হায়রি- ইলেক্তোরেল রোলদা মীং হাপচিনবা অমসুং লৌথোকপা হায়বসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা চথেবা ইলেক্তোরেল রোল রিভিজনগী শরুক অমনি।

বিহারদা চথখিবা ইলেক্তোরেল রোলগী স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজনগী মতাংদা থাংগৎলকপা ৱাকৎ ১৯ গী অরোইবা হিয়ারিং সুপ্রিম কোর্টনা মখা চথরি। চীফ জষ্টিস শুরিয়া কান্ত অমসুং জষ্টিস জোয়মালা বক্সিগী বেঞ্চ অমনা হায়- ইলেক্তোরেল রোলদা শাশিন্নবা মীং হাপচিনবনা আধার ককথৎপগী মরম অমা ওইবা য়ারোই। মখোয়না হায়- পাসপোর্টশিং ফাওবা লনাই এজেন্সিশিংগী খুত্থাংদা শেন্বা য়াওরি।

এমওএস ঃ য়ুনিক আইদেন্তিফিকেসন ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী নুমিৎকা মরী লৈননা কেন্দ্রগী ইলেক্ত্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রি জিতিন প্রসাদনা নিউ দিল্লিদা আধার এক্ট হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- আধার অসি ভারতকী খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈবা দিজিতেল হনোভেসন অমসুং ইনক্লুসিভ গভর্নান্সকী ময়েক লারবা খুদমনি। মহাকা হায়- আধারনা হৌজিক লৈবাক অসিগী নাগরিক কোতি ১৪৩ কোনশিন্দুনা মালেমগী মীয়ামদা ভারতনা অহানবা দিজিতেল আইদেন্তিতি সিষ্টেম অমদি চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্মী হায়বদু উৎথোক্লে। মহাকা মালেমগী লৈবাক কয়ানা আধারগী মওং মতৌ অসি পায়খৎনবগী মতাংদা অপাম্বা ফোংদোকরক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নেসনেল হাইৱেদা কোতুনা চংশিল্লম্বা বন্দ হন্দোকখিবা, রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম হৌদোকখিবা অমসুং মহারাষ্ট্রগী দিপ্যুতি সি.এম. অজিৎ পৱার লৈখিদবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

কোতুগী নেসনেল হাইৱে বন্দ এন.পি.ওনা কাউন্টর বন্দ তৌরকপদগী হন্দোকখ্রে। ফুরুপ অমখক্তদা শিংনরকপদা য়েংদুনা লৈরোই হায়বা এন.পি.ওগী ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, গানফিউ মেল অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসনচিংবা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পার্লিয়ামেন্ট বজেৎ সেসন হৌদোকখ্রে, নোর্থ ইষ্টতা কন্নেক্তিভিতি, ইন্দষ্ট্রি অমদি হেলথ সেক্তরদা দিভলপমেন্ট থবক লেপ্তুনা পায়খৎলি হায়বা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী ৱাফম অমসুং অমিত সাহ অমদি কুকি এম.এল.এশিং উন্নখিদ্রে, ঙসি নত্রগা হয়েং উন্নরবা য়াই হায়বসিনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম হৌদোকখিবা, মহাকা পুং ১ রোম চুপা পীখিবা এদ্রেসতা মণিপুর পল্লমদ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক্তসু অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কোকোমিনা থা অসিগী ৩১ দা পাঙথোকবা শেম শারিবা মণিপুর কনবা খোঙচৎতা মীয়ামা শরুক য়াবীয়ু হায়না আপীল তৌখিবগী পাউসু পাউচে অয়াম্বদা ফোংনরি।

মহারাষ্ট্রগী দিপ্যুতি সি.এম. অজিৎ পৱার প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রে হায়বসি তমেংলোং টাইমস অমসুং মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন

তৌদুনা ফোংলি।

পি.এম.ই.জি.পিগী লোননি মরিদগী লুপা লিশিং ৫০-৫০ লৌরগা লোন অমসুং মার্জিন মনি শুনা পীদ্রে হায়না মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী সেক্রেতরিদা ৱাকৎখ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জষ্টিস গীতা মিতল কমিতিগী মতম অমুক্কসু শাংদোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদা মহৈরোইশিংনা রেল্লি চৎখ্রে, পোপুলর গভর্নমেন্ট শেমদ্রিঙৈদা পোলিতিকেল দিমান্দ ৱারোইশিন পুরকবা তকশিল্লি হায়বসিনা পোকফম পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি গানফিউ মেলদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------